# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-03-2026)**

**এসেমব্লি(এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী ঙসি হুমনি চনবা মীফমদা তোঙান তোঙানবা বিজিনেসশিং পায়খৎতুনা খন্ন-নৈনগনি।

কমিতি রিপোর্ট পুথোকপা, দিমান্স ফোর গ্রান্টস ২০২৬-২৭ সভাদা খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি। ঙসি খন্নগদবা হীরমশিংগী মনুংদা-ষ্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরস, সেক্রেটরিয়েট, লেন্দ রিছোর্সেস, পুলিস, পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, টেক্সতাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, পৱার, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, জেলস, প্রিন্টিং, ফিসরিজ, আর্ট এন্দ কলচর অমদি ইকোনোমিক এন্দ ষ্টেটেটিক্স য়াওরি। মসিগা লোয়ননা মনিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর ৱান বিল-২০২৬ সভানা খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি। লোয়ননা ফাইনান্সিয়েল কমিতি অহুম খন্নবা মোসন পুথোক্কনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহোৌলুপ অনিগী মীওই তরুক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে।

মনিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তাওথোং মমাং লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাখি। অতোপ্পা প্রিপাক্কী মীওই অমসু তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোরেদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইদাংপোকতগী পি.এল.এগী মীওই অমা, বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল লাংপোক ময়াই লৈকাইদগী অমসুং ককচিং জিলাগী হিয়াংথাং ময়াই লৈকাইদগী লুপ অসিগী অতোপ্পা মীওই অনি অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা

খুরাই থাংজ লৈকাইদগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই অমা ফাগৎখি। লোয়ননা থৌবাল জিলাগী শলুংফম কাংফোকচাউ মনিং লৈকাইদগী পিপাক (প্রো) গী এক্তিব কাডর অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মন্ত্রি পুখ্রি এরিয়াদগী মীওই অহুম গঞ্জাগা কোন্ননা ফারে। মখোয়দগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৬ গ্রাম ৬০ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোইজিংদগী মীওই অহুম ব্রাউন্দ সুগরগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী ব্রাউন্দর সুগর কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ৭০, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন মরি, পান কার্ড অমা, দ্রাইভিং লাইসেন্স অমা, আর.সি.কার্ড অমা অমসুং অধার কার্ড অমা ফংলে।

মরক অসিদা, উখ্রুল জিলাগী তিলান পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সনা কৈথেল এরিয়াগী লম একর ২৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমরগা য়াস্থৎখ্রে।

রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অমদি আইন কায়বা থবক চথবা থিংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি। চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথরি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী মরাম পুলিস ষ্টেসন অমসুং ১৬ শুবা অসাম রাইফলসনা সেনাপতিদগী দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী কাণি কিলোগ্রাম তরা গ্রাম ৩৬ ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা নম্বর থাদবা মারুতি জিপসি অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপা থেংনবদগী খামদুনা চেক তৌবদা পোৎলমশিং অদু থেংনখিবনি। পোৎলমশিং অদু দ্রাইভরগী সিট মনিংদা লোৎশিন দুনা পুরম্বনি হায়রি। মখা তানা মচিন হংবা অমসুং থিজিন হুমজিনবগী থবক

চথবদা কাণি থারম্বা মীওই, পোৎ পুথোক পুশিন তৌরম্বা অমদি পোৎলম অদুবু লৌনবা লৈরম্বা মীওই অহুম্মক ফাগৎলে। মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক চথনবা মরাম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চকপিকারোং এরিয়াদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা ৪৩ শুবা অসাম রাইফলসকা পুন্না অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মারুতি ইকো ভেন অমদগী সাপোন কেপ ৫৮ দা হাপ্পুনা পুরম্বা ব্রাউন্দ সুগর ফারে।

পোৎলমশিং অদু মোরে ৱার্ড নম্বর টুদগী মীওই অমা অমসুং তেংনৌপল জিলাগী খোলোফাইদগী মীওই অনিনা পুদুনা চৎলম্বনি হায়রি। মখোয়দগী লুপা লিশিং ৪৫,২০০ শেল ওইনা ফাগৎলে। ব্রাউন্দ সুগর পুরম্বা ইকো ভেন অদুগা লোয়ননা মোবাইল ফোনশিং অমদি গাড়িগী চে-চাংসু ফাগৎলে।

**আর্ট(এল)ঃ** মাইন এন্দ বোদি হায়না মিংথোনবা সোলো আর্ট ইগজিবিসন অমা ঙসিদগী থা অসিগী ১৫ ফাওবা ইম্ফাল আর্ট গেলারিদা পাঙথোক্লগনি।

ইগজিবিসন অসিদা অয়েকপা লাই ৩০ হেন্না উৎকনি।

**কাউন্সেল্লিং(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি স্কুলস ফোর রাইজিং ইন্দিয়া পি.এম. শ্রী স্কিমগী মখাদা চান্দেল জিলাগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়গী ওদিটোরিয়মদা গাইদেন্স অমসুং কেরিয়ার কাউন্সেল্লিংগী থৌরম স্কুল অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-এন. রাজমোহোন সিংহ, নবোদিয়া বিদ্যালয় সমিতিগী হান্নগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এম. ধিরেন সিংহনা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। মখোয়না স্কুল অদুদা লাক্তুনা মহৈরোইশিংগা ৱারি-ৱাতাই শান্নখিবা অদু য়ামা

পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি। ২১ শুবা চহি চা অসিদা মহৈরোইশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়াগা লোয়ননা মহৈ মশিং তমনবা পাউতাক পীখি। থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি তামিল নাদুগী তিরুচিরাপলি অমসুং কেরলমগী অরনাকুলমদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-কেরলমদা অখিলা কেরলা দিভারা সভাগী গোল্ডেন জ্বল্লি থৌরমদা শরুক য়াগনি। লুপ অসিনা মফম অদুগী ঙামীশিংগীদমক য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মখোয়গী থবক থৌরমশিং অসি শিংথাবগী লোইবা নাইদে। মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুং তমগনি, কয়া অমনা শঙ্গারমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা-খুঙ্গংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা, লম্বী শেমজিনবা, রেলৱে অমদি ইনজির্নিচিংবা য়াওরি।

তামিল নাদুগী তিরুচিরাপলিদা রাজ্য অদুগী শেমগৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী উরেপ উয়ুং তন্নগনি, খরনা শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা-পেট্রোল্লিয়ম, নেচরেল গ্যাস, লম্বী অমসুং রেলৱেজ য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এসেমব্লিনা সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টস ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং ২,৭৭৯ পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

বজেটতা য়াওদবা লম্বী থোং শেন্বগী শেনফম মিনিষ্ট্রিদগী লাক্কনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এক্সাইস দিপার্টমেন্টতা সেঙ্কসন পোষ্টকী চাদা ৮৪ রোম হাংলি, বোন্দেদ ৱেরহাউস ১, হোলসেলর ১, রিটেলর ৪ দা লিকর লাইসেন্স পীখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-এম.য়ু.সিগী অহানবা কনভোকেসন: গ্রেজ্য়েট ৪০০ হেনবদা দিগ্রী লান্থোকখ্রে, য়ুনিভর্সিতি অসিনা লমদমসিগী ত্রেদিসন য়োকখৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি-গভনর হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা মনিপুর মেলদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সুপ্রিম কোর্টনা এস.সি-এস.তিগী ক্রিমি লেয়ার চৎনহন্নবা নোটিশ ইশু তৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইরান অমদি য়ু.এস, ইজরেল লানগী চৈথেং ফংবা হৌরে। রেষ্টুরেন্ট অমদি হোটেলশিংদা কর্ম্মসিএল এল.পি.জি. সিলিন্দর পীবা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লে, ইয়ার ইন্দিয়াগী ফ্লাইট টিকেৎকী মমল হেনগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ডা: বিমোল এম.পিগী তলব লৌরমদ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি তমেংলোং অমদি লিগেল এদ দিফেন্স কাউন্সেলগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট-২০২৬ কী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।